কলম্বোগী সমুদ্র ঈমায়দা কেমিকেল পুরকপা জহাজ অমা মৈ চাক্লিবা অদুনা শ্রীলঙ্কাদা এসিদকী নোং চুহল্লবা য়াই

কলম্বো, মে ২৯ (এজেন্সী) : গুজরাটতগী কেমিকেলশিং অমসুং কোষ্টমেটিকশিং পুবা জহাজ অমা শ্রীলঙ্কা তম্না চৎখ্রবা মতুং শ্রীলঙ্কা য়ৌদ্রিঙৈদা লম্বীদা মৈ চাক্লকপদগী ফায়র সার্ভিসশিংনা মৈ মুথৎনবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রি। অমদি মসিনা মরম ওইরগা শ্রীলঙ্কাদা এসিদকী নোং চুহল্লবা য়ানা লৈ হায়রি।

কেমিকেল অমসুং কোষ্টমেটিক পুবা কারগো ভেসেল অদু হৌখিবা মে ২০ দগী কলম্বো পোর্ট য়ৌরমদাইদা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি। ভেসেল অদু মৈ চাকপা হৌরল্লবা মতুং শ্রীলঙ্কা অমদি ইন্দিয়াগী নেভিশিংনা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

কেমিকেল পুবা জহাজ অদুদা চাক্লিবা মৈ হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদবনা মরম ওইরগা জহাজ অদুদা পুরিবা কেমিকেলশিং অদুনা মরম ওইরগা শ্রীলঙ্কাদা এসিদকী নোং চুহল্লবা য়াই হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্ল রকখিবনি।

কারগো ভেসেল এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল গুজরাটতগী কলম্বো তম্না নাইট্রিক এসিদ টন ২৫ অমদি অতোপ্পা কোষ্টমেটিককী আইটেমশিং পুদুনা লাকখিবনি। মদু নত্তনা জহাজ অদুগী ফুৱেল টেঙ্কতসু থাউ মেট্রিন টন ৩২৫ য়াওরি। কারগো ভেসেল অদুদগী নাইট্রোজেন দাই ওক্সাইদ ইমিসন্না মরম ওইরগা অচৌবা মৈখু মপৈশিং পাইখৎলক্লি।

মদুনা মরম ওইরগা নোংজু থাগী মতমসু ওইবনিনা শ্রীলঙ্কাদা এসিদকী চাং ৱাংবা নোং তাহল্লবা য়াই হায়না মেরিন এনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন ওথোরিটিগী চ্যেরপার্সন ধরসনি লহানদাপুরানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কলম্বো পোর্ট মনাক নক্না খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা নোং চুরকপা মতমদা য়ারিবমখৈ য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অমদি মশা শোকহন্দনবা খঙহল্লক্লি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কারগো সিপ মৈ চাকপদগী সমুদ্রগী ঈমায়দা চেন্থোরক্লিবা কেমিকেল য়াওবা মহিশিং অদুবু শেংদোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। অদুমওইনমক ঈশিংগী ঈমায়দগী কেমিকেলশিং অদু মপুং ফানা লৌথোকপা ঙমগনি হায়বগী চপ চাবা খুদমদি লৈতে।

হৌজিক হৌজিকসু তগ বোট অনী কারগো সিপ অদু মৈ মুথৎনবা হোৎনরি। ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দকী ভেসেলশিং অমসুং শ্রীলঙ্কাগী তগ বোটশিং অমদি শ্রীলঙ্কান নেভিনা ওইরিবা ফীভম অদুগী মতাংদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা শেন্নদুনা লৈরি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্দিয়ানা কারগো ভেসেল অদুদা চাক্লিবা মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইনবগীদমক আই সী জি ভাইভক, আই সী জি দোনিয়র অমসুং তগ ৱাটর লিলি থারকখ্রে। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী অখন্নবা পোল্যুসন রেপোন্স ভেসেল সমুদ্র প্রহরি ঙসি মৈ চাকপগী থৌদোক থোক্লিবা মফমদা থুংলখ্রে হায়রি।

অমরোমদা মৈ চাকপা মুথৎনবা হোৎনরিবা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা শ্রীলঙ্কা অমসুং ইন্দিয়াগী অপূনবা টিম অদুনা জহাজ অদুদা চাক্লিবা মৈ অথুবা মতমদা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লগনি। মৈ চাকপগী থৌদোক অসিনা সমুদ্র ঈমায়দা কা হেন্না অমাং অতা থোকহন্নিংঙাই লৈতে।

জহাজ অদুদা য়াওরিবা থাউ অমদি কেমিকেলশিং সমুদ্রগী ঈমায়দা চেন্থোরকপা লৈত্রি। আই সী জি চীফশিংনা মখা তানা মৈ কনবগী থবক চথুরি অমদি মৈ চাক্লিবা ভেসেল অদুগী মনাক নক্না চঙশিন্নবা হোৎনবা হৌখ্রে। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদগী ঈশিংগী ঈমায়দা তারক্লিবা কন্টেনরশিং অদু মশক খঙদোকখিবগা লোয়ননা লৌখৎখ্রে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী খোঙজং মরক্তা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা এমাজোনগী ইন্দিজিনিয়স ভেল্লিদা ভিজিট তৌখ্রে

ব্রজিলিয়া, মে ২৯ (এজেন্সী) : এমাজোনদা লৈবা ট্রাইবেল ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংনা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট জাইর বোলসোনারোনা ট্রাইবেল ইন্দিজিনিয়স ভেল্লিশিংদা চৎনবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মরক্তা ঙসি এমাজোনদা লৈবা ইন্দিজিনিয়স ভেল্লি অনীদা লুচিংবা অনীনা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

ট্রাইবেল লুচিংবা খরনা বোলসোনারোগী খোঙচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না খঙদনা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অদু এক্সপোজ তৌরগনি অমদি মফমদুদা কম্মরসিএল মাইনিংগী থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মহাক্কী খোঙচৎ অদু চত্তনবা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

অদুমওইনমক বোলসোনারোনা ঙসি এমাজোনদা লৈবা বলাইয়ো রিজাবেরসনদা চত্তুনা মফমদুগী মীওইশিংনা উন্নখ্রে। অমদি মফমদুগী নাৎকী ওইবা ফিজোল শেত্তুনা মীয়ামগা পুল্লগা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী খোঙচৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা রিজ নেল ইন্দিজিনিয়স লিদরশিংনা ফোঙদোকখিবদা বোলসোনারোবু মখোয়না মখোয় মখোয়গী খুঙ্গংশিংদা লাক্লবা খঙহনখিবা লৈতে।

মহাক্না ঙসি উন্নখ্রিবা মীওইশিং অদু ট্রাইবেল লুচিংবশিংগী মরক্তা ফম পায়বা অমত্তা য়াওদে। বোলসোনারোনা মফমদুদা চৎখিবা অদু লাক্কদৌরিবা চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী কেম্পেইন তৌবা লাকপনি। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক খল্লগা লাকখিবা নত্তে।

ব্রাজিলদা তোঙান তোঙানবা ইন্দিজিনিয়স ওইবা ফুরুপ কয়া লৈরি। মখোয়শিং অদুগীদমক ঙসি ফাওবদা প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎপা লৈত্রি। ট্রাইবেল লুচিংবশিংনা প্রসিদেন্টতা খুঙ্গং খুঙ্গংদা এদ্যুকেস্নল ইন্সটিট্যুসনশিং লিংনবা হায়খিবা ৱাফমশিং হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি হায়রি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা ৪ শিরে

কাবুল, মে ২৯ (এজেন্সী) : অফগানিষ্টানগী কাপিসা প্রোভিন্সকী অৰাং থংবা শরুক্তা লৈবা লম্বেল অমদা হান্না প্লান্ট তৌদুনা লৈরম্বা বোম অমা পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা ১১ শোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অফঘানগী ইন্তরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় টরিখ অরিয়াননা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিভর্সিটিগী লেকচররশিং অমসুং মহৈরোয়শিং পুবা মিনি বস অমদা টার্গেট তৌরগা বোম অদু পোকখায়হনখিবনি।

রিমোর্ট কন্ট্রোলগী খুৎথাংদা বোম অদু পোকখায়হনখিবা ওইরম্বা য়াই। থৌদোক অদুদা শোক্লবশিংগী মনুংদা খরগী ফীভমদি হৌজিকসু অরুবা ফীভমদা লৈরি। মহৈরোয় অমদি ওজাশিং পুবা মিনি বস অদুদা এটেক চথুরকখিবা অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা অকুপ্পা মরোল লৈত্রি।

থৌদোক অদু করম্বা গ্রুপনা চথুখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি অমদি গ্রুপ অমত্তনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি। মমাং চহীগী নবেম্বর থাদসু কাবুল য়ুনিভর্সিটিদা আই এস আই এল (আই এস আই এস) গ্রুপনা এটেক চথুদুনা মীশি মীনা কয়া থোকহনখি।

পনবা য়াবদি টালিবান অমসুং য়ু এস অনীগী মরক্তা য়ানখিবগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা য়ু এস ক্রুপশিং য়াওনা ফোরেন ক্রুপশিং মফমদুদগী লৌথোকপা হৌখ্রবনি। ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং থা অমরোম অসিদা লৈবাক অদুদা টেরোরিষ্টকী ওইবা থবক থৌওংশিং য়াম্না তোয়না চথরক্লি।

চয়োল অহুমলোমগী মমাংদসু কাবুলদা লৈবা স্কুল অমগী মপান থংবা শরুক্তা বোম এটেক চথুদুনা মীওই ৬৮ শিহনখি। অদুগা ১৬৫ হেন্না শোকহনখি। থৌদোক অদুদা শিখিবা অয়াম্বা চহী নৌরিবা মহৈরোয় ঙাক্তনি হায়রি।

চাইনানা হোং কোংগা তায়নবা সিটি লোকদাউন তৌখ্রে

বৈজিং, মে ২৯ (এজেন্সী) : চাইনানা হোংকোংগা তায়ননা লৈরিবা গুৱাংজৌ সিটি কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা লোকদাউন তৌরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চয়োল অমরোম অসিদা হোংকোংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২০ থেংনবগী রিপোর্ট অমা লাকখ্রবা মতুং চাইনানা গুৱাংজৌ সিটি লোকদাউন তৌখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা গুৱাংজৌ ম্যুনিসিপাল হেল্থ ব্যুরোনা ফোঙদোকখিবদা সিটি অদুদা লৈবা মফম মঙাদা কোভিদ-১৯ শন্দোক্লম্বা য়াবগী অকিবা লৈবনা লোকদাউন থম্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

লোকদাউন থমখ্রবা মফমশিংদা ওথোরিটিশিংনা য়ুমথোং খুদিংদা চত্তুনা কোভিদ-১৯ গী টেষ্ট তৌরগনি। মরকসিদা মফমদুদা লৈবা স্কুল, কৈথেল অমদি ইন্তরটেনমেন্ট ভেন্যুশিং থিংজিল্লে হায়রি।

থা মরিরোম ফাজিন্দুনা থম্লুরবা ইরানিয়ন ওইল টেঙ্কর অমুক থাদোকখ্রে

টেহরান, মে ২৯ (এজেন্সী) : হৌখিবা জনুৱারী থা লোইশিল্লকপদা ইন্দোনেসিয়ানা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা ইরানিয়ন ওইল টেঙ্কর থা ৪ রোম লৈরবা মতুং ঙসি থাদোরকখ্রে হায়না নেস্নেল ইরানিয়ন টেঙ্কর কম্পিনিনা ফোঙদোরকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সেনিয়র ইরানিয়ন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা ওইল টেঙ্কর অদু ওইল টেঙ্কর এম পি হোষ্ট অমদি মদুদা তোংখিবা ক্রু মেম্বরশিং অদু ইন্দোনেসিয়ানা ফাজিন্দুনা থমখিবনি। মতম শাংনা ফাজিন্দুনা লৈরুরবা টেঙ্কর অদু ইন্দোনেসিয়ানা অমুক হন্না থাদোরকখিবা অদু মখোয়গী অফবা খোঙথাংনি হায়রি।

অমরোমদা ইন্দোনেসিয়ানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দোনেসিয়ন কোষ্ট গার্দনা ইরানগী ফিৱাল থেৎপা ভেসেল অদু লোনা য়াদবা মওংদা সমুদ্রগী ঈমায়দা থাউ পুরক্স্নগীদমক ফাখিবনি। পানমাগী ফিৱাল থেৎপা এন টি ফেয়াদগী ইরানগী ফিৱাল থেৎপা ভেসেল অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা থাউ খাইজিল্লমখিবনি। মদুগীদমক ভেসেল অদু ফাজিনখিবনি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মখোয়গী ওইল টেঙ্কর ফাজিনখিবা অদুগী মতাংদা ইন্দোনেসিয়াদা থৌদোক অদু টেক্নিকেল ইশ্যুনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা উপায় লৈতবদগী থাউ খাইদোক খাইজিনগী থবক অদু চথুখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক ইন্দোনেসিয়ন ওথোরিটিনা ইরানগী ৱাফম অদু রিজেক্ত তৌখিবগা লোয়ননা ভেসেল অদু মখা তানা ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

মদুগী মতুং ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মহমদ জমিদ জরিক মমাং থাদা ইন্দোনেসিয়াদা চত্তদুনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদো য়াওনা অতোপ্পা মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাখি। মদুগী মতুং ইন্দোনেসিয়ানা ঙসি মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থম্লুরবা ইরানিয়ন ওইল টেঙ্কর অদু অমুক হন্না থাদোরকখিবনি হায়রি।

ফিনলেন্দ পি এমগী ব্রেকফাষ্ট বিলগী মতাংদা থিজিনগদৌরি

হেলসিনকি, মে ২৯ (এজেন্সী) : ফিনলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর সনা মরিন অমদি মহাক্কী ফেমিলিশিংনা ব্রেকফাষ্ট লৌনবা হোৎনবদা টেক্সপেয়রশিংগী শেনফম লান্না শীজিন্নরম্বা য়াই হায়না থাঙ্গৎলকখিবা কমপ্লেন অমগী মতুং ইন্না হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরগনি হায়না ফিনলেন্দ পুলিসনা লাউথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মরিন অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংনা থা অমদা ব্রেকফাষ্টকী শেনফম ওইনা য়ুরো ৩০০ লোম শীজিন্নৈ হায়না ক্লেম তৌরকখ্রবা মতুং হীরম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং প্রাইম মিনিষ্টর মরিননা পুলিসনা চথুরকপা থিজিন হুমজিনবা মরক্তা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চপ চাবা রিপোর্ট অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা গভর্ণমেন্টনা মঙোন্দা পীরিবা খুদোংচাবশিং অমত্তা লৌরোই হায়রি।

চাবা ফংদবগী অৰাবা কয়া মায়োক্লরি

কিনসাসা, মে ২৯ (এজেন্সী) : দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোংগোগী নোংপোক থংবা শরুক্তা অমুক হন্না অকনবা মওংদা নিকলকপদগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম মফমদু থাদোক্তুনা চৎপা হৌখ্রে। অমদি মফমদু থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমদা চৎখ্রবা মীওইশিং অদু চানবা চীঙাক অমদি থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৰাবা কয়া মায়োক্লরি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী এক্তিভ ওইনা লৈরিবা মৈগী চীং মাউন্ট গিরাগোঙোদগী কাপথোরকপা মৈ মহিনা মরম ওইরগা গোমাদা লৈবা মীওই খরা শিহনখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তসু অহিংবা মৈগী চীং অদু খঙহৌদনা পোকখায়রকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মীয়াম শাফংদবা মফমশিংদা গভর্ণমেন্টনা পুথোক্তুনা থমবা হৌখ্রে। মদুগী মতুং ঙসিসু অমুক হন্না অকনবা মওংদা গোমাগী শরুকশিংদা নিকলকখিবনি। হন্দক খঙহৌদনা অকনবা মওংদা নিকলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা মৈগী চীং অদু শুংশোই শোয়দনা পোখায়রকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মীওই অয়াম্বা চানা থক্লবা পোৎলমশিং পুদনা চেন্থোরকখিবনি। মফমদুদগী কিমি. ২০ লোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা মীওইশিং অদু পন্দুনা লৈরি অদুবু চানবা লৈতবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংদা ফাইজর-বাইওএনটেক কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে

হেগ, মে ২৯ (এজেন্সী) : য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী দ্রগ ৱাচ্ট দোগনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ফাইজর/বাইওএনটেক কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংদা কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অমষ্টরদামদা বেজ তৌবা য়ুরোপিয়ন মেদিসিন এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখিবদা চহী য়াম্লবা মীওইশিংদা কাপখিবা ভেক্সিনশিং অদুগা চহী নৌরিবা নহাশিংদা কাপকদৌরিবা ভেক্সিনশিং অসিগা খেন্নবা লৈতে। নহাশিংদা কাপত্রিঙৈগী মাংওইননা টেষ্ট কয়ারক হন্না তৌখ্রে। ভেক্সিন অসি কাপ্পদা নহাশিংদা প্রোব্লেম লৈরোই হায়বা খঙলবা মতুং ভেক্সিন কাপ্পদা অয়াবা পীখবনি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক্তা কা হেন্না থৱায় য়াওরি। জর্ম্মিনিগী ওইনদি মথং থাগী চহী অমা মপুং ফাখ্রবা অঙাংশিং অমদি মসিগী মথক্তা লৈবশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং কানাদাগী ওইনদি চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ফাইজর ভেক্সিন কাপ্পদা হান্নানা অয়াবা পীখ্রে। য়ু এসতা পুথোক্লিবা কোভিদ ভেক্সিন ফাইজর অমসুং জর্ম্মন রিসার্চ ফার্মনা পুথোক্লিবা বাইওএনটেক হায়রিবা ভেক্সিন মখল অনী অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা চহী ১৬ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে। হায়রিবা হীদাক মখল অনী নত্তনা অতোপ্পা ভেক্সিন অমত্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা ওথোরাইজ তৌদে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী হেল্থ কম্মিস্নর ষ্টেলা রিয়াকিদনা ফোঙদোকখিবদা পেন্দামিক অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনবা ঙম্লগনি। অদুমওইনমক মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু কোভিদ ভেক্সিন দোজ কাপ্পা নৎত্রগা কাপতবা হায়বগী মতাংদা ফিরেপ লৌজগনি।

গভর্ণমেন্টকী ওইনদি হীদাক কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রবসু মমা মপাশিংগী অয়াবা য়াওদনদি ওইথোকপা য়ারোই। মরম অদুনা মমা মপাশিংনা মচাশিংবু হীদাক কাপথোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

[illegible]/ CONDOLENCE

হৌখিবা তাং ২৬/০৫/২১ য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমিদাং পুং ১০.৫২ তাবা মতমদা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন অসিগী অচৌবা থৌদাং পুবীরম্বা ঈপুরোই থৱায় য়াইবীরেল য়াইখোম দেবেল মোইরাংচা চহী ৫৩ মালোম অৰাং লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্টনা তাইবংপান মপুরেল শিদবগী শিন্থা লোইশিল্লদুনা, মনুং মতম চাদনা অনৌবা থৱায়গী শিন্থা পাংনবা নোঙ্গাখ্রে। কথোকপদনা মাংদা থাদুনা তংদু লৈতাবা মালেম অমগীদমক হোৎনরম্বা ঈপুরোই থৱায় য়াইবীরেলনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ময়াই লোইশঙদা থৌপুরোইশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে।

Sd/- **Naorem Kabichandra Mangang**
General Secretary P.R.O.,
Universal Family Organisation

HL-P/9788/30

[illegible]/ CONDOLENCE

হৌখিবা তাং ২০/০৫/২১ কালেনগী নোংমাইজিং নুমীৎতা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন অসিগী অচৌবা থৌদাং পুবীরম্বা ঈপুরোই থৱায় য়াইবীরেল খুন্দ্রাকপম শুরেন্দ্রো (নানাও) ০১/০২/১৯৬৪ ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্টনা তাইবংপান মপুরেল শিদবগী শিন্থা লোইশিল্লদুনা, অনৌবা থৱায়গী শিন্থা পাংনবা নোঙ্গাখ্রে। কথোকপদনা মাংদা থাদুনা, তংদু লৈতাবা মালেম অমগীদমক হোৎনরম্বা ঈপুরোই থৱায় য়াইবীরেলনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ময়াই লোইশঙদা থৌপুরোইশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে।

Sd/- **Naorem Kabichandra Mangang**
General Secretary P.R.O.,
Universal Family Organisation

HL-P/9788/30

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	170,215,791	+91,931	3,539,701	+2,532	152,219,548	14,456,542
1	USA	34,022,657		608,961		27,767,040	5,646,656
2	India	27,729,247	+9,816	322,512	+128	25,178,011	2,228,724
3	Brazil	16,392,657		459,171		14,811,266	1,122,220
4	France	5,646,897		109,290		5,303,607	234,000
5	Turkey	5,228,322		47,134		5,083,099	98,089
6	Russia	5,053,748	+9,289	120,807	+401	4,670,484	262,457
7	UK	4,477,705		127,768		4,284,613	65,324
8	Italy	4,209,707		125,919		3,837,518	246,270
9	Argentina	3,702,422		76,693		3,252,843	372,886
10	Germany	3,680,159		88,884		3,471,800	119,475
11	Spain	3,668,658		79,905		3,424,911	163,842
12	Colombia	3,342,567		87,207		3,121,888	133,472
13	Iran	2,893,218	+7,107	79,741	+173	2,425,033	388,444
14	Poland	2,871,371	+775	73,682	+125	2,636,675	161,014
15	Mexico	2,408,778	+3,056	223,068	+411	1,923,744	261,966
16	Ukraine	2,199,769	+3,096	50,388	+156	2,030,415	118,966
17	Peru	1,947,555		68,978		1,720,665	157,912
18	Indonesia	1,809,926	+6,565	50,262	+162	1,659,974	99,690
19	Czechia	1,660,935	+454	30,101	+1	1,617,498	13,336
20	South Africa	1,654,551		56,293		1,551,520	46,738
21	Netherlands	1,641,318		17,607		1,463,716	159,995
22	Canada	1,374,275		25,440		1,308,932	39,903
23	Chile	1,361,381		28,928		1,287,804	44,649
24	Philippines	1,216,582	+7,443	20,722	+156	1,142,246	53,614
25	Iraq	1,190,351		16,311		1,101,676	72,364
26	Romania	1,077,426	+265	30,247	+73	1,038,539	8,640
27	Sweden	1,068,473		14,413		953,133	100,927
28	Belgium	1,057,903	+2,360	24,910	+8	951,215	81,778
29	Pakistan	916,239	+2,455	20,680	+73	836,702	58,857
30	Portugal	847,604		17,023		808,047	22,534
31	Israel	839,433		6,407		832,634	392
32	Hungary	804,032	+465	29,709	+27	692,248	82,075
33	Bangladesh	797,386	+1,043	12,549	+38	737,408	47,429
34	Japan	738,045	+3,708	12,819	+105	666,942	58,284
35	Jordan	734,659		9,436		713,633	11,590
36	Serbia	711,772		6,834		693,585	11,353
37	Switzerland	693,023		10,801		645,322	36,900
38	Austria	644,207	+498	10,592	+4	627,672	5,943
39	UAE	567,263	+1,812	1,673	+5	547,008	18,582
40	Malaysia	558,534	+9,020	2,650	+98	479,666	76,218
41	Nepal	553,422	+4,311	7,163	+116	434,750	111,509
42	Lebanon	539,888		7,711		516,530	15,647
43	Morocco	518,458		9,135		506,443	2,880
44	Saudi Arabia	447,178		7,320		429,663	10,195
45	Ecuador	423,165		20,408		366,425	36,332
46	Bulgaria	418,106		17,652		380,254	20,200
47	Greece	398,898		11,995		365,135	21,768
48	Belarus	392,629	+992	2,831	+10	383,380	6,418
49	Slovakia	389,440		12,333		374,829	2,278
50	Kazakhstan	383,595	+1,688	3,914	+11	351,086	28,595
51	Panama	376,854		6,365		364,297	6,192
52	Bolivia	364,570	+2,990	14,377	+65	289,809	60,384
53	Croatia	355,955	+338	8,002	+10	345,396	2,557
54	Paraguay	348,184		8,892		286,005	53,287
55	Georgia	342,860	+986	4,739	+12	325,016	13,125
56	Tunisia	341,952		12,513		299,771	29,668
57	Azerbaijan	333,559		4,896		323,198	5,465
58	Costa Rica	314,102		3,962		242,019	68,121
59	Palestine	307,569		3,489		300,125	3,955
60	Kuwait	305,583		1,760		290,377	13,446